## এডিটোরিয়েল

### খুরাই অহোংপূঙ লাইফমগী ৱাথোক

*ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্কী মনূং চনবা খুরাই অহোংপূঙ লাইফমগী ৱাথোক অসি অনৌবা নৎতে। চহি ১৪ রোমগী মমাংদগী লাইফম অসি কনবা অমসুং ঙাক–শেনবা হোৎনদুনা লাকখিবনি। হায়রিবা মফম অসিমক মণিপুর এন্সিয়েন্ট এন্দ হিষ্টোরিকেল মোনুমেন্ট এক্টকী মখাদা ঙাক–শেন্দুনা লৈরিবনি। হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা লাইফমলেন অসিদা থোকখিবা লাইবক থিবা থৌদোক অমদগী কাংলূপ অনীগী মরক্তা ভাব তান্নদবা, উংখৎনবা থোরকখিবা অদুমকসু য়াম্না লাইবক থিবনি হায়না লৌই। ঐখোয়গী লাইনিং–লাইশোলগা মরীলৈননা খুরাই অহোংপূঙ লাইফম অসিসু মরুওইবা অমনি হায়না হৌজিকসু লৌদুনা চহি খুদিংগী লমতা থাদা শরোই খাংবনচিংবা শোয়ফদ্রবা থৌরম কয়া পাংথোক্লি। মায়কৈ মরী শুমদাই ৮ হায়না খংনরিবা পূঙ ৪ গী মনূংদা অমসু ওইরিবনি অতে পূঙ ৩ অদুদি নোংচুপ মায়কৈদা তেরা ৱাংথোইবী পূঙ, মখা মায়কৈদা ককৱা লমদাইপূঙ, নোংপোক মায়কৈদা নোংমৈপূঙনী। অসিগুম্বা নাৎকী ওইবা লাইনিং–লাইশোনগা শাগোন্নদুনা লাক্লবা অমদি মাংফদ্রবা লাইফম অসি ঙাক–শেনবা অমসুং কনবা হায়বসি ঐখোয় পূন্নমক্কী তৌফম থোকপনি। মসিদা সরকার অমসুং মরীলৈনবা ওথোরিটিনা অঙম্বা থাক্তা মতেঙ পাংশিনফম থোকই। সলাই ৭ কী লাইফম হোংবা য়াদে, হোংবা য়াদবা লাইফমদা নীংতম্না ইরাৎ–থৌনিজবা হায়বসি মশানা তাবনি অদুবু অহোংপূঙগী অকোয়বদা খূন্দরিবাশিংনা ইতৎতনা অয়েৎ অপন পীবগী থৌওং চথরকপা অমদি লাইফম অসিগী লম খোপচল্লকপদগী ৱাথোক অসি চাউথোরকখিবনি হায়না লৌই। মসিগী মতাংদা তোঙান–তোঙানবা লূপ কয়ানসু মীৎয়েং চংদুনা অহোংপূঙ লাইফম মাঙবা য়ারোই হায়বগী অকনবা ৱাফম কয়া লাক্লি। অদুবু লাইফম অসিগী অকোয়বা তেলিপতি এরিয়াগী মীওইশিংনদি লম খোপচিনবা লৈতে অদুগা মফম অদুদা মায়বা–মায়বী য়াউনা লাইথৌ পাংথোকপদা অথিংবা পীখিবদুসু লৈতে হায়না ফোঙদোরকপগা লোয়ননা হৌজিক হৌজিক কোর্টতা লৈরিবা কেসকী মতাংদসু ফোঙদোক্নরকপা লৈখ্রে। অদুবু লাক্লিবা ৱাফমদি ৱাথোক অসিনা মরম ওইরগা কাংলূপ অনীগী মরক্তা উংখৎনবা অমদি ভাব তান্নদবা থোরক্তুনা ইং–তপ্না লৈমিন্নবদা অকাইবা ওইরক্কদ্রা, অমুকসু য়ূমদাংবনা কৈনাবা হায়বদুমক ওইরক্তুনা হেন্না অচৌবা ৱাথোক ওইরক্কদ্রা হায়বসিনি। অমরোমদা হন্দক থোকখিবা ৱাথোক অদুগা মরী লৈননা সোসিয়েল মেদিয়াদা কাংলূপ অমনা থাগৎপা নৎত্রগা ফোঙদোকপা ৱাফম কয়ানা কাংলূপ মশেলগী মরক্তা হূ কামশিনবগী মওংদা উহল্লকপা অসিমক সাইবর ক্রাইমনি হায়না লৌবগা লোয়ননা আইনগী মতুংইন্না লৌখৎফম থোকপা এক্সন লৌখৎনবা মরী লৈবশিংদা তকশিনবগী ৱাফম অমসু লাক্লি।*

*ওইরক্লিবা ফীভম অমদি মওং মতৌ অমসুং ষ্টেট অসিদা য়েলহৌঙৈদগী খূন্দা–লৈতাদুনা লৈমিন্নরক্লিবা য়েলহৌমীশিং কনবা অমসুং ঙাকশেনগদবনি হায়বা ইহৌ অসিগা ইতোৎ তোৎশিন্নখিবা নৎত্রগা শন্নখিবা তারবদি মদুনা করি ওইরক্কদগে হায়বদু সরকার অমসুং মরী লৈনবা ওথোরিতিনা কুপ্না নৈনবা অমসুং য়েংশিনবা তঙাইফদে। মণিপুরগী পুৱারীগা শাগোন্নদুনা লৈরিবা লাইফম লেন খুদিংমক ঙাকশেন্দুনা থম্বা হায়বসিমক্তি তৌফম থোকপনি। সরকারনসু লৈরিবা এক্ট অমসুং রুলগী মতূং ইন্না তৌবায়াবা কয়া তৌরি, চীফ মিনিষ্টরনসু মসিদা মীৎয়েং চংলি হায়বদু উৎখিবা লৈরে। অদুনা অচুম অরান কুপ্না থিগৎলগা অশেঙবা অদু খঙদোক্তুনা তৌবা য়াবশিং মতম চানা তৌনবা হোৎনবা চুমগনি। হৌদোংনা শঙ্গোম চাবা য়েংবগী ফীভমদা লৈবা তারবদি হেন্না ফীভম লুশিলক্তুনা ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনবদা অপনবা ওইরক্কনি অমদি পেন্দবা অমসুং নুংঙাইতবদগী ঐখোয় মশেল মরক্তা অঙম তান্নরক্তুনা থোকহন্নিংদবা থৌদোক থোরক্লোই হায়নিংঙাই লৈতে।*

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### থৌনাফবা অচুম্বা তৌবা ঙম্লরোই

*ইকায় খুম্নজরিবা এডিটর,*

*ঙসি লৈঙাক মমাংগী হৌখিবা মতমশিংগী লৈঙাক মপু ওইরম্বশিং থৌনা ফবা লমদমসিগী পারি ঙাক্তনি। লমদমসিগী পারি পুরিশিংগী চৎন কাংলোনশিং থৌরম লিক্লমশিং মীরাইখিবা নুমিৎ অদুগী চৈথেংশিংনা ঙসিদি তাহৈদবা উহৈদবা ঙাক্তা থোক্লরে। মপূ শাবা মীরান কয়ানা লমদমসিদা চংশিল্লক্তুনা নচা লৌথোকউ ইচা শুমগে হায়না থৌরাংলকইবশিং ঙসিগী অঙম্বা খুদিংমক খংদে উদে। মালেমসিনা শাফোংলকখিবদগী মচিন মনাও ওইনা লৈরকখিবা ঙসিনা মালং ফম্বাক অমা শাথোকহন্দুনা তৌফম থোক্তবা কয়া লেপ্তুনা চথরি। তাইবং কনা অমত্তনা অচুম্বা লিক্লমশিং ফোংদোক্তবদগী ঙসিসু মদুগী চৈথেংশিং লমদমসিনা ফংলি। শকমান্নবা মীরমগী য়েলহৌমী কয়ানা মশা মশাগী পোক্লফম লমদমশিংবু থাদোক্লমলগা লমদম অসিগী চাদ–নাওদা ওইহল্লরি। মশাগী তৌফম থোকপশি মপা মপু কয়ানা মশাদগী চেম্থরকখিবা ঈঙাং কয়া শিন্থনা থৌনা পুথোক্না কল্লম্বা মফমসি ঙসিদি মীগী ওইখরে। হৌজিক লৈরিবসি চীনদতা ঙাংবা চেদা ইবখক নত্তনা মদুসু কনা অমত্তা খংহনবা ঙমদনা লৈরি। হৌজিক হৌজিক লমদমসিগী ফোংইবা পেপরশিংদা ইলেক্ট্রোনিক মেদিয়াশিংদা থমলকইবা ৱাফমশিং তশেংনা অচুম্বদি ওইররোই। হৌজিক য়ুমথংনবা কন্ত্রি ম্যানমার মমাংদা বর্মা হায়না খঙনরম্বশিং অসিদগী লাকখিবশিং খংবা কনা লৈরিবগে? অখঙবশিংসু তুমিন তুমিন লৈথোক্লখিবা ফোংদোক্লুরগসু তৌবিগদবশিংনসু খংশিন্নদনা লৈঙাক শোইদনবতা হোৎনরি। লমদমসিদা অহোংবা কয়া অমা হান্না লৈরমদবদগী থোক্লকখিদবশিং থোক্লকইবসি মখোয়শিংনা লমদমসিদা য়ৌরকখিবদগীনি। মখোয়শিং করম্না লমদমসিদা য়ৌরকখিবা হায়বগী ৱারী ৱাখোংশিং কুপ্না নৈনবিগদবা লৈত্রি। অরানবা কয়াবু নমশিন নমশিন্দুনা লাকখিবগী মহৈনা ঙসিদি হিংই হায়বতা মঙাইরবা পুন্সি অমগী পাঙখক ওইহল্লি। হনবা লৈতে লমদমসিগী মীওই খুদিংমক অচৌবসু অপিকপসু অঙাংসু অহলসু ইথক ইরাংদা লমজেল য়াংবা তান্নদুনা নুংঙাইথোক্লি। পিকখ্রবা লম মচেৎ খরসিদা জাতি কয়া মশিংখংদনা খুন্দামিন্নরগসু হোমলেন্দ হায়বা ৱাহৈশিং ইবা হৌরকলি। একোর্দ খোঞ্জেলনা মফম খুদিং লাওরি নিল্লি ভারত লৈঙাক ফাওবা য়াওররি। মশানা মশাগী অচুম্বশিং ফোংদোক্তনা মীতোপ্নদি করি অচুম্বা তৌরকখিগনি? মসি লৈনা লৈনা ঙসিগী লৈঙাক্লা পুথোরক্কদবা য়েলহৌমী কন্নবা বিল লমদমসিগী ওইনদি অচুম্বা ওইররোই। সরকারনা তৌবদা করি অচুম্বা তৌরোইদৌবনো? তৌবতবু তৌগদৌরিবা অচুম্বা অদুদি মীতোপ্নি হায়রিবা থংনবা কন্ত্রিদগী লাকপশিংগী অপাম্বা অয়াবা বিল ওইগনি। ঙসি লমদমসিগী নুপী অঙাংশিংদা থোকইবা থৌদোকশিং পূন্নমক মীগী য়াইফনবা খল্লিবমখৈ হোৎনরিমখৈ হেল্লকখিনি। মীগী য়াইফনবা হোৎনবদগী ঐগী হান্না হোৎনবনা হেন্না ফরক্কনি থাজে। অঙম–অথৌ হায়বা অসিদি ঙম্বা থৌবা খঙবা হেনবদুনি হায়নরিবসি ঙসিদি তায়োন্নরে।*

*অদোমগী*
*কে এম খুমন*
*ইম্ফাল*

# মণিপুর সনালৈবাক পুঙ ময়োল লালবুংগী পুংখোলতনা নীল্লগদৌরি

*টিঐচ উদোই লুৱাং*

***''ৱাগী ৱা ওইজরবসু লুচীংবগী ৱাদি শীদহীদাক্লি নৎত্রগা হূনী। হূগী মশক ওইরবা 'ৱা'না ৱাথোক লাম্থোক্কী মৈরি চুখৎলী। মথৌনা লৈবা মীওইশিংনা অচুম্বগীদমক থৱাই পাম্মুদনা মাইয়োক্লে। পাংদবা অশোনবা লুচিংবশিংনা নিংঙাইদনা লৈথোকই। মখোয়গী অরানবা, অশোইবদুনা সমাজসিদা শান্তি থুগাইরিবনি।''***

'কম্মন নাগা কলচরেল বোদি অমসুং ওটোনোমস নাগা টেরিটোরিএল কাউন্সিল' শেমদুনা নিংতম লালহৌগী মুবমেন্টদা মাইথিরবা এন এস সি এন (আই এম) বু থেন্নবা ভারতগী অনৌবা স্ত্রাতেজি শাফোংলক্লে। ভারত সরকারগী মহুৎ শিন্দুনা এন এস সি এন (আই এম) গা পিছ একোর্দ গী ৱারি শানরিবা ইন্টরলোক্যুটর আর এন রবিনা এপ্রিল ২৬ তা নেসনেল মেদিয়াদা ইথিল পিরকখিবনি। মহাক ভারত সরকারগী ৱাঙাংলোই ওইদ্রবসু হীরম অসিদদি দাইত্ব লৈরিবা মীশক্লি। ভারত সরকারগী ইহুল খংনা কাংলকখিবা 'পো'সি মণিপুরদদি হূগী মশক ওইররে। ৱাথোক লাম্থোক্লি মৈরি চুখৎপগা চপ মান্নরে। হিন্দু ধর্ম্মগী মচত্তা লুপচরিবা বি জে পি সরকারনা নিংশিংবা থোক্ত্রবা মতমদগী লৈরক্লবা মণিপুর পুৱারিগী অপূনবা শক্তম ময়েক শেংনা খংলবসু শিঙ্গুপ শানা থুগাইননবা হোৎনরক্লি। ফনা লুনা চান্না, তোৎন–তিন্না লোইনদুনসু মীগী চাকখুম ফাক্তুনা পুনবা য়াদে হায়বসি লাইগী হাক্তক্তগী ঙসি ফাওবা চৎনরিবনি। হিন্দু ধর্ম্মগী মচত্তা অচুম অরান অনীগী ৱাখৈননবা মহাভারত লাল থোকখি। মীচং শঙ্গল লৈবা মীশিং য়াম্বা কৌরব কাংবুনা পান্তব মচিন মনাও মঙাগী লন–থুম লৈবাক শম্পত্তি পূন্নমক মুনবিখি। খাংবা ঙম্বগী পন্ফে লোইখ্রবদা লাল থোকখি। অচুম্বা পন্তবগী মীচংদা ঈশ্বর ফাওবনা মতেং পাংশিন্দুনা কৌরব পু মায়থিবা পীখি। পান্তব গী মাংলুরবা লৈবাক অমসুং শম্পত্তি অমুক নৌহৌননা ফংজখি। মীচং শঙ্গল য়াম্মী, কল্লী, থৌই, তৌবা ঙম্মী হায়দুনা মীশিং য়ামজদবা পান্তবগী লৌরি য়ুম্ফম মুল্লুবদগী কৌরব শাগৈ লৈখা তানা মুৎখিবদু ধর্ম্মসিদা লুপচরিবা বি জে পি সরকারনা নিংশিংফম থোকই। হিন্দু ধর্ম্মগী মীৎয়েংদগী করিগুম্বা ভারত সরকারনা মণিপুর থুগাইনবা শিল্লক্লবদি বি জে পি অমসুং ভারত সরকার ঈশ্বরগী মাইয়োক্তা থবক তৌবনি হায়রোইদবগী মরম লৈতে। তৌবা ঙম্বা শক্তি পূন্নমক লৈখা তারক্তুনা নোংমা নৎত্রগা নোংমদি ভারত মচেৎ মচেৎ কায়খিগনি। ঙন্নমক লৈখা তাখিগনি। কৌরব শাগৈ মমি শামখিবগুম অপূনবা ভারতসু মমি শামলক্লোই হায়নিংঙাই লৈতে। অচুম অরান অনীগী ৱাখৈননবা থোকখিবা মহাভারত লালগী পরিংদা মণিপুরি ঐখোয়না নিংশিংদুনা থবক পাংবা য়ারিবদি, লৌরি য়ুম্ফম মুনবিখ্রবা পান্তব মচিন মনাও মঙানা চহী কয়ামরুম উমং ৱামং অমসুং মীরমদা শৈদাংদুনা লেনখি। নোংদম্বগী থৌশিলনা মীরমদা লৈরবসু দ্রৌপতি লৌবদগী নুংঙাই য়াইফনা লোইনাইদ্রবা শম্পত্তিশিংগী মপূ ওইদুনা হীংবা য়াখি। অদুবু মদুদা পেন্থোকখিদে। মমা লৈবাক মরমদমগীদমক মথৱাই খুবাক্তা হাপ্তুনা য়েক্লবশিংগা মাইয়োক্লখি। হেক ঙম্বগী পন্খে অদু ফাওবা খাংখি। অচুম্বগীদমক থৌনা হনখিদে। থক খা খংনা থকশি খাশি ঙাকখি। অতোপ্পা লৈবাকশিংগা পূন্না শক্তি শাগৎমিন্নদুনা মহাভারত লান্ফমদা কৌরবশিংবু মাইথিবা পীদুনা নিংতম্বা ফংখিবনি।

য়ান্না মরু ওইরিবা ভারত সরকারগী ৱাফম অসি ভারতকী লৌনম নমথাকপু ময়েক শেংনা খংবা প্রজা পূন্নমক্কা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌনরক্লি। 'মণিপুরগী অপূনবা শক্তম থুগাইবা য়ারোই' হায়বা খোঞ্জেলতনা পৃথিবি শিন থুংনা নিল্লকপা য়াবগী ফীভম লাক্লি। তংদু লৈতাদবা অমদি অকিবগী মশক ওইরবা সমাজগী শক্তম ওইরকপা য়াবগী অকিবসু লৈরি। ইং ১৯৪৯ গী ওক্তোবর ১৫ দগী ঙসি ফাওবা থেংখাং থেংখাং কয়ারক্তা আইনগী কল্লবা থৌরিনা মণিপুরিশিংগী অপূনবা শক্তমশিং অসিবু অমগা অমগা শেৎনা খায়নহল্লক্লি। ভারত সংবিধান্না আইনগী মীৎয়েংদা মীপূম খুদিংমক চপ মান্নে হায়জরবসু মণিপুরদদি ৱাহন্থোক লৈহন্দ্রি। ভোত থাধবা য়ারবসু লেপ্পদি য়াহন্দবা, পূন্না খুন্দা লৈতাবা য়াহন্দবা, চপ মান্নবা মফমগী মীওইশিংদা জাতি কাংলূপকী খেৎনবা থমদুনা জাতি কাংলূপ অমদা লোইনাইদ্রবা খুদোংচাবশিং পিশিনবা অসিনচিংবা মখল মখা কয়াগী সিষ্টেমশিং এপ্লাই তৌদুনা নুংশি চাননা লৈমিন্নজরম্বা জাতি কাংলূপ ফুরুপশিং অমগা অমগা ৱারৌ–পারৌ হল্লক্লি। জাতি কাংলূপশিংগী মরক্তা শেৎনা খায়নহনবগী স্ত্রাটেজিদা হৈথোই শিংথোইরবা ভারত সরকারগী অনৌবা স্ত্রাটেজি, আর এন রবিনা এপ্রিল ২৬ তা লাওথোকখিবসিদি মণিপুরগী শক্তম থুগাইবগা চপ মান্নগনী। মীনুংশি লৈত্রবা ভারতকী সিষ্টেমশিং, পোলিসি তৌদুনা লিৎশাং শিৎনা শান্টি লৈতবা লমদম ওইহল্লক্লিবনি। ফীভমসিদা মণিপুরিশিংনা অপূনবগী শক্তম কঞ্জনবা করি করম্বা ফীরেপ লৌদুনা থবক পাংগদগে হায়বসি য়ান্না মরু ওইরি।

থৌরবা মীওইবগী পাঙ্গল শক্তি শাগৎপা হায়বসিমক্তবু ধর্ম্মগী মীৎয়েংদগীসু অচুম্বা ৱারি লিখুন খক্তদা য়ুম্ফম ওইবনা মণিপুরগী অচুম্বা ৱারি লিখুন খঙবা অমসুং খঙননবা হোৎনবনা অহানবা খোঙথাং ওইফম থোকই। নিংশিংবা য়াই। মতমগী খোংলৈ মতুং ইন্না মীংথোলদা অহোংবা লৈদুনা খংনরিবা 'মণিপুর' মৈহৌরোল লৈশেমলোনগী ফিলোসোফি লৈজবা লমদন্নী। মসিগী ময়েক লারবা খুদমদি, মতমগী খোংলৈদা মপানগী অকনবা শাফুনা নৈহৎপিখ্রবসু মশিং য়াম্লবা ঈমুংশিংদা সনামহি লাৎনরি। থেংখাং থেংখাংশিংদা য়েক্লবনা লোই চল্লুরবসু মায়থিবা পীদুনা নীংথৌ পানবা নিংতম্বা লৈবাক সোভরেন্ট কন্ত্রি ওইদুনা লাকখিবনি। ইং ১৮৯১ দগী ইং ১৯৪৭, অগষ্ট ১৪ ফাওবসিদনা ব্রিটিশ গভর্ণমেন্টনা কা হেন্না খূৎ থিংজিনখি।

মণিপুরনা ইন্দিয়াদগী হান্না নীংতমদুনা মণিপুর মশাগী কনষ্টিট্যুসন ইং ১৯৪৭ তা শেমখি। ইং ১৯৪৮ জুন ১১ দা মণিপুর এসেমব্লি মীখল তৌদুনা মীয়ামগী লৈঙাক লৈরকখি। ইং ১৯৪৯ সেপ্টেম্বর ২১ দা ভারত লান্মীনা ফারবা মহারাজবু আইন্না য়াদবা মার্জর এগ্রীমেন্ট সহি তৌহন্দুনা ওক্তোবর ১৫ দা ভারতকী মেজোর জেনরেল অমর সিংহনা মণিপুরবু ভারতকী ফীবান্নুংদা তিনশিনখিবনি। মণিপুরগী লমখৈ থেংখাং কয়াদা থুগাইবিখ্রে। রির্ছোস মরাং কাইনা লৈবা কবো ভেল্লী বর্ম্মাদা পীথোকখ্রে। য়ু এন না হায়রি, নিংতম্লম্বা কন্ত্রি খুদিংমক মশাগী নীংতম্বা হঞ্জিনবা য়ারি। তৌবতবু United Nations Declaration on the Rights of Indigenous People গী য়ান্না মরু ওইরিবা Article 3, Indigenous peoples have the rights to Self- determination. By Virtue of that right, they freely determine their political status and freely pursue their economic, social and cultural development. Another important Article 43 clearly said that the rights reconized here in constitute the minimum standards for the survival, dignity and well being of the indigenous peoples of the world. ফীভমসিনা ওইরম্বসু য়াই। মনিংতম্লম্বা মণিপুর লৈবাক লৌশিল্লবসু ধর্ম্মগী মীৎয়েংদা য়েংবিদ্রি। লমখৈ অমসুং সোসিএল স্ত্রকচর লৌখৎপা য়াদনা থুগাইনবা অনৌ অনৌবা স্ত্রাতেজি কয়ামরুম এপ্লাই তৌরক্লি। মীওইবনা মাগী মাগী লমদমগী সোসিএল স্ত্রকচর মনুংদা মনিং তম্না হীংবগী অর্থ থোক্লা মতেং ইতেং পাংনদুনা শান্তি লৈনা হীংনবা ঙাক্তনী। মণিপুরগী অপূনবা সোসিএল স্ত্রকচর থুগাইবা মণিপুরি খুদিংমক্লা পাল্লোই। ফীভমসিদা মাইয়োক্লবা ঙম্মী হায়বসি ইং ২০০১ গী জুন ১৮ না উৎখ্রবনি। মণিপুরগী অপূনবা শক্তম থুগাইনবগী মরু ওইবা ফেক্তরসি এন এস সি এন (আই এম)না ওইরি। নীংশিংবা য়াই, লালহৌলূপ অসি নাগালেন্দগীনি। হিষ্টরিকেল ওইবা বেকগ্রাউন্দ য়েংলুরবসু মণিপুরগা করিগুম্বা মরী অমত্তা লৈনদে। ইং ১৯৬৩ দা আসামদগী মচেৎ তাদুনা নাগালেন্দ শেমখিবনি। খুৎলায় পায়দুনা সোভরেন্ট কন্ত্রি ওইননবগীদমক ভারত সরকারগা লাম্থেংনরিবা লালহৌ লূপ্নি। ওপ্পোর্টুনিস ওইবা লিদরশিংনা আইদিওলোজিষ্ট ওইরক্তুনা লিংখৎখিবা লালহৌলূপ ওইবনা উপাই লৈরক্ত্রদুনা ইং ১৯৯৭, অগষ্ট ১ দগী ভারত সরকার গা সিজফয়ার তৌরকখি। চহী ১৮ চুপ্না ৱারি শানরকপদা য়ূম্ফম য়াওদবদগী উপাই লৈরক্ত্রদুনা ইং ২০১৫ অগষ্ট ৩ দগী অমুক ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট সাইন তৌনদুনা খোই মহুমদা চৈনা কক কক থিনবগুম মণিপুর য়াওনা য়ূপ্লোন্নবা ষ্টেটশিংদা তত্তনা শিংনরক্লি। ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টগী মাংওইননা ইং ২০০১ জুন ১৪ দা নাগালেন্দ মনূংগী সিজফায়র তৌনরম্বদু 'ৱিদাউট টেরিটোরিয়েল লিমিটস' হায়বা বেঙ্কোক এগ্রিমেন্ট অদুনা মণিপুরগী লমখৈদা শিংনরকপদগী খোইশাওনরবা মীয়ান্না তৌবা ঙম্বা শক্তি ফুদোক্নরক্তুনা জুন ১৮ গী তমথিরবা থৌদোক্তু থোকখ্রিবনি। অমুক লুরিবা ৱাফম্না 'কম্মন নাগা কলচরেল বোদি অমসুং ওটোনোমস নাগা টেরিটোরিএল কাউন্সিল' শেম্বগী ৱাফম লাক্লিবসি নাগালেন্দ মনূংগী ওইফম থোকই। মসিদা অতোপ্পা কম্যুনিতি অমত্তনা য়েৎলক্লোই। ওন্ন তৈনবদা মরম চাদনা মণিপুর বাউন্দরি মনূং য়ৌশিল্লক্তুনা অপূনবগী সোসিএল স্ত্রকচরদা অচৌবা চৈথেঙ পীদুনা থুগাইরক্লবদি মণিপুরি প্রজাশিংনা ভারতকী মথক্তা অরোইবা নিংতমলাল চথরক্লোই হায়নিংঙাই লৈতে। অমুকো, য়ু সি এম, সি সি এস কে অহুমগা খূৎশন্নদুনা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা সিবিল সোসাইতি ওর্গানাইজেনশিংনা পব্লিক মীতিং পাংথোকপগা লোইননা মণিপুরগী অপূনবা শক্তম থুগাইনবা পীরকপা ইথিল শিংনরি অমসুং অপূনবগী শক্তম ঙাকমিন্ননবা মীয়ামগী ইহৌ লেপ্পা লৈতনা চংশিল্লক্লি। মৈরৈবাক মরমদমগীদমক পূন্সিগী অরোইবা মীৎকুপ ফাওবা মাইয়োক্লবা ঙম্বা মণিপুরিশিংগী লমখৈ অমসুং অপূনবগী শক্তমদা ভারত সরকারনা ইকাইখুন্নবিবা চুমগনী।

# লমদমসিদা মপানগী মীশিং লৈশিল্লকপা

*এন সি শান্ত*

অৱাং–নোংপোক (ইন্দিয়াগী) লমদমসি মশাগী মহৌশাগা লোয়ননা লাকপা খুন্দা– লৈতাদুনা লৈরকপা মীওইশিংদি য়াম্বা ৱাৎলি। হায়বদি লৈজরিবা লমগী পাক–চাউবগা য়েংনবদা মীগী মশীং অসি ইন্দিয়াগী অতে অতোপ্পা লমশিংগা য়েংনবদা লমসিগী ওইবা হান্না খুন্দাদুনা লৈজরকলবা মোঙ্গোলোইড কাঙলূপকী মীওইশিংগী চাং অসি য়ান্না নেম্মী। অসিগুম্বা মীশিংগী চাং অসি অসুম–অসুম হন্থরক্লবদি নোংমদি মালেমগী লৈমায়দগী মুৎখিবা য়াবগী ওইথোকপসু লৈ। মসিগুম্বা মুৎখিবা য়াবা অসিগী মরম ময়াম অমা লৈগনি। ময়ামদুগী মরক্তা মপান লমগী মীওইশিংনা অৱাং নোংপোক্কী লমদমসিদা লৈশিল্লকপা–খুন্দাশিল্লকপা অসিসু য়ান্না য়াওরবা মরম অমনি।

অসিগুম্বা মপান লমগী মীওইশিং লৈশিল্লকপা খুন্দাশিল্লকপা (মতম খরগী থবক–ইংখাং, মহৈ–মশীং তম্বগী নত্তবা) অসিগা মরী লৈননা লমদমসিদা হান্ননা খুন্দাদুনা লৈজরক্লবা কাঙলূপশিংদা অহেনবা অকায়বা কয়া অকনবা শাফু ওইনা পী।

**অহানবা শাফুঃ**

লমসিদা হান্নগী খুন্দাদুনা লৈজরক্লবা মীওইশিংগী চাকখাও থদৎননবগী মরুওইবা মরম অমা ওইহল্লি। মপানগী মীওইশিং চঙলকপা হায়বসি শেল পুশিল্লকপা নত্তে, চান–থক্লবা হেন্না পুশিল্লকপা নত্তে। হেন্নদুম মপানগী লমদা লমদমসিগী শেল খাউজাও খাওজাও কয়া পুদুনা চৎখি। হান্ননা চাবা–থকপা কোন্নজরম্বা পোত্থোক চাবা–থকপা কোন্নরক্তে। মসিনা মরম ওইরগা অৱাং নোংপোক্কী লমদা পোত্থোক্কী চাং হেন্না কোন্নবা লৈজরবসু মপানগী মীওই কয়াগী চাকথাক পুবনা মরম ওইদুনা লমদমসিদা চান–থক্লবগী লম্বীদা অচৌবা অহোবা অমা পীরি।

**অনীশুবা শাফুঃ**

অনীশুবদা পীরিবা শাফু অসিসু অহানবা শাফুগা মরী য়ান্না লৈনৈ। মীতোপ য়ান্না লমদমসিদা লৈশিল্লকপা হায়বসিনা মরম ওইরদুনা লমদমসিগী মহৌশাগা ইরোয়ননা লাকপা মীওই –কাঙলূপ্তা লৈজরকপা খল অমা অদুমক মাঙথরকই। হান্ননা লৈজরকপা অমদি মশাগী মীশীং হেনগৎচরকপগী মথক্তা মপানগী মীওই কন্না লাক্তুনা লৈশিল্লকপনা মরম ওইদুনা শেল–থুম অমদি খুন্নাইগী পুন্সি মরেলদা অকনবা শাফু অমা অমুক পীরকপনা মরম ওইদুনা লমদমসিদা খুন্দারিবা মোঙ্গোলোইড ফুরুপকী মীগী মশীং হন্থরক্লবগী মরম অমা ওইহন্দুনা অচৌবা শীংনবা অমা লমদম অসোমদা খুন্দারিবা মীওই কাঙলূপ্তা পীরি। খরদং হেন্না থমজরবদা, মপানগী মীশীংনা হেনগৎলকপা হায়বসি, মখোয়না লমসিগী খনবগা, লমসিগী মশাগী মীওইশিংনা খনবনা হেন্না মপান্দগী লাকপা মীওইশিংদগী হেনগনি। অতোপ্পা ৱাফম অমনা মীশীং হেনগৎলকপনা অৱাবা ওইহল্লকপা মরম ওইরগা লমসিগী খুনদাজরিবা মীওইশিংদা ওন্ন– তৈনবদা হায়বদি মোঙ্গোলোইডকী মী মশীং হেনগৎপগী মহুৎতা হন্থরক্তবা য়াদবগী মরম অমা ওইহন্দুনা অচৌবা অকায়বা অমা লমদম অসোমগী মীওইগী খলদা পীরি।

**অহুমশুবা শাফুঃ**

অচৌবা শীংনবা শাফু অমনা লমদমসিদা খুন্দারিবা মীওইশিং মহৌশাদগী হৌনা মোঙ্গোলোইড কাঙলূপকী মীওইশিং ঙাক্তা ওইরবসু নোংম– নোংমগী শক–চুগী শকওং কয়া হোংলকপা লৈরি। মসিমক্লা মরম ওইরগা লমদম অসিদা লৈরিবা শক–চুগী মশক মাঙখিবা য়াবগী অকিবা লৈতবা নত্তে। খূদম ওইনা ঈগী মরীদা তোঙানবা মোঙ্গোলোইডকী ঈ নত্তবা কয়া য়ানশিনখিদুনা ফুরুপসিগী ওইবা মশক নোংম– নোংমগী মাঙথরক্লিংঙাই ওইরি।

**মরিশুবা শাফুঃ**

অতোপ্পা ৱাফম অমনা, শেল–থুমগী লম্বীদা য়েংলুরবসু মপানগী মীওই কয়া মতম শাংনা লৈশিল্লকপনা মরম ওইদুনা লমদমসিদা লৈজরিবা মীওইশিংগী থবক শুফম নোম্ফম (গভর্ণমেন্ট অমদি লন্নাইগী) লৈরক্তে। মসিনা চাউরবা থবক ফংদবগী মরুওইবা মচাক অমসু ওইহন্দুনা লমসিদা শেল–থুম অমদি অপূনবা খুন্নাইগী শক্তমদা চরাঙনবা অমা তৎতনা থোকহল্লি।

**মঙাশুবা শাফুঃ**

মপান্দগী লাকপা মীওইশিং মতম খরগী ওইনা চঙলকপা নত্তবা অমদি মতম শাংনা লৈশিন্দুনা লমসিদগী খুন্নাইগী ওইবা অমদি শেল–থুমগী ওইবা খুদোংচাবা কয়া লৌদুনা অমদি থিদুনা লৈ। অমরোমদা অয়াম্বা মীতোপশিংনা লমসিদগী শেনফম ময়াম অমা পুখিদুনা লমদমসিবু হেন্না লায়রবা লমদম অমা অদুম ওইননবা হোৎনবদা অচৌবা মতেং পাংই।

**তরুকশুবা শাফুঃ**

ৱাফম অমনা অদুঙৈ ইন্দিয়াদা য়ূরোপকী পল্লোনবা লাকপা মীওই কয়া লাকখিবা লোয়ননা ইকোন– কোনবদা লৈঙাক–চুপ্লি পায়বা য়াওশিল্লকখিবদু ঙসিগী অৱাং–নোংপোক্কী লাক্লিবা মওংসিদা ওইথোরকপা য়াবা লৈ। লৈরকপসু হৌরে হায়বদা য়ারে। অসিগুম্বা থৌওংশিং লমদমসোমগী মীয়ান্না কুপ্না শেন্নহৌবা অফবা ওইবা য়াই।

মথক্তা মপান লমদগী হায়বদি মরু ওইনা মেন্দলেন্দ ইন্দিয়াদগী লাকপা মীওইশিংনা অৱাং– নোংপোক্কী লমদা পীবা শাফু খরা থমজরিবা অসিখক্তা নত্তে। মখল কয়া, ৱাঙাঙ–শাঙাঙ, চাবা থকপদা, ফিজেৎ–চাকচাদা, হরাও–কুম্মৈদা অকনবা শাফু হেক হেক পীরি। অসিগুম্বা শাফু কয়াশিং অসি লমসিগী ওইনদি মুন্না অমুক্তং কুপ্না য়েংলুরবদি লমসিগী মীওইশিংগী থম্মোয়দা য়ান্না শোক্লিংঙাই ওই।

নোংমা পোৎ– চৈ থাংবা বিহারি খরগা ৱারী শানৈ। লমসিদা লৈবসি নুংঙাইব্রা হংবদা, নুংঙাই হায়। অমুক হংই নখোয়সু লমসিদা ৱানা লাকপনি হিংননবা হায়দুনা মদুগীদমক য়ামনা থাগৎলি। মরমদি নখোয় অয়ুক–নুংথিল, নোংজু–নুংশা খাক্তনা থবক শুরগা শেল তাল্লি। ময়ুমদা শেল য়ান্না থাই, ইমুং–মনুং থাকই।

নোংমৈ কাপ্নরে, নোংমৈনা কাপ্লম্লে ঙাইহাক লৈতনা তারিবা, ঐখোয় ফাওবা লৈনীংদ্রকালদা... নখোয় লমসিদা লৈবসিবু নুংঙাইরিব্রনে হায়না হংলুই? খুম্লকই ভৈয়া, 'আদা লৈরবসু শিবদি শিরনি' মরমদি আদদি (বিহারদা) থবক শুফম লৈতে নোংমদা লুপা ২০ তানবা ঙমদে... লমসিদা নোংমৈনা কাপ্লবসু শিবগীদি করিসু কায়দ্রে।